**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 21-06-2025)**

**যোগ (এল)ঃ** মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মনিপুরদসু ঙসি মালেমগী যোগ নুমিৎ পাক শন্না পাঙথোকখ্রে।

রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা লুচিংদুনা মালেমগী যোগ নুমিৎ ঙসি খুন্মন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখি। থৌরমদুদা লনাই মীওইশিং, মহৈরোই, সরকারগী ওফিসিয়েলশিং, যোগবু পামজবা মীওইশিং অমসুং সেক্যুরিতি পার্সোনেলনচিংবা মীওই ৯০০ হেন্না শরুক য়াখি। রাজ্যপালনা যোগবু ঐখোয় মীওইবগী নুংতিগী পুন্সিদা তৌদবা য়াদ্রবা ইথৌদাং অমগুমা পাঙথোকবা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবনি।

ইম্ফালগী রাজ ভবনদসু যোগ নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অসিদা রাজ্যপালগী ওফিসিয়েলশিং অমসুং ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি।

রাজ্য সভাগী এম.পি মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাওবা ইম্ফালগী জে.এন মণিপুর দান্স একাদেমিদা পাঙথোকপা ১১ শুবা মালেমগী যোগা নুমিৎ থৌরমদা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা, মীওই ৮০০ রোম শরুক য়াখি।

হান্নগী শিক্ষা মন্ত্রি-থৌনাওজম বসন্তা সিংহনা মালেমগী যোগ নুমিৎনা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মহাকা হায়-যোগ অসি ভারতনা মালেমগী মীয়ামদা পীবা মমল লৈত্রবা খুদোল অমনি। মসিনা হকচাংগী অমসুং পুকিং ৱাখলবু লৈতানা লৈহনবা ঙম্মী। প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা যোগ অসি মালেমগী ওইনা হকচাং ফনবা অমসুং পুকিং ৱাখল ফনা থমবা লম্বী অমা ওইরে।

হায় কোর্ট ওফ মনিপুরনা শিনদুনা নুংশি চান্নবা অমসুং শান্তি পুরক বগীদমক্তা যোগ হায়বা ৱাখল্লোনদা মালেমগী যোগ নুমিৎ থৌরম ঙসি ইম্ফালগী

হায় কোর্ট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট কোর্টশিংদসু পাঙথোকখি হায়রি।

১১ শুবা মালেমগী যোগা নুমিৎ নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ টেকোলোজি মণিপুরদা মহৈরোই, ফেকলতি মেম্বরশিং অমসুং ষ্টাফশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা মীওই ২০০ হেন্না শরুক য়াখি।

ইম্ফালগী ওরিয়েন্টেল কলেজতা মালেমগী যোগ নুমিৎ-যোগ সঙ্গম হায়বা ৱাখল্লোনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি কলেজ অসিগী এন.এস.এস. য়ুনিট ৱান অমসুং টু অমদি ইন্টরনেল ক্বালিতি ইসুরেন্স সেল অমসুং কো-এন্দ এক্সত্রা কারিকুলর এক্তিভিতি কমিতিনা শিনবনি।

ভারত্তিয়া জনতা পার্টি-থৌবাল জিলা অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেটিব কমিতিনা পুন্না শিনদুনা মালেমগী যোগ নুমিৎ ঙসি খোঙজোমদা লৈবা ৱার মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

থৌবাল জিলাদা মালেমগী যোগা নুমিৎ থৌরম তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখি। থৌবাল ৱাংমতাবদা থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজন, সিরিনি যোগা সেন্তর থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকাই, কংলৈ শক্তম কনবা লুপ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী মোইদাংপোক খুলেন, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট তেবল তেন্নিস এসোসিএসন অমদি ৱাংমতাবা য়ুথ ক্লব থৌবালনা পুন্না শিন্দুনা থৌরম অসি পাঙথোকখি।

ফেরজোল জিলাদসু জোনেল এদুকেসন ওফিসনা শিনদুনা যোগগী নুমিৎ পাঙথোকখি।

**আরএসএস (এল)ঃ** রাস্ত্রিয়া স্বয়ম সেভক সঘ (আর.এস.এস) কী লুচিংবা-ভি. ভগ্যানা হায়রি-যোগ অসি শান্তিগী লম্বী অমনি। হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা মালেম অসিদা যোগ অসিনা শান্তিগী লম্বী ওইরি।

মহাকা হায়-যোগ অসিনা মীয়ামবু নুংশি চানহন্দুনা পুকিং লৈতাহন্না অমত্তা ওইনা পুনশিনবা ঙম্মী। ইম্ফালগী কোঞ্জেং লৈকাইদা পাঙথোকপা মালেমগী

যোগ থৌরমদা শরুক য়ারদুনা হায়-মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১৭০ হেন্না মালেমগী যোগ নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখি।

**কন্দোল (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্টকী থাংমৈবন্দ লৌরুংপুরেল লৈকাইদগী, মনিপুরি ফিল্মগী শকাইরবী এক্ট্রেস-ক্ষেত্রিময়ুম রাশি ঙরাং লৈখিদ্রে।

ক্ষেত্রিময়ুম রাশিনা কুমখিবা ফিল্মশিংগী মনুংদা-মতমগী মনিপুর, লমজা প্রসুরাম, শাফবী অমসুং ওলাংথাগী ৱাংমানচিংবনি । মহাক তোঙান তোঙানবা ঠিয়েটরশিংদসু খোঙদারম্মী। মহাকা হিংলিঙৈ মতমদা তোঙান তোঙানবা মনাশিং পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

১৩ শুবা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম এৱার্ড ২০২০ গী লাইফ টাইম এচিপমেন্ট এৱার্ড য়াওনা তোঙান তোঙানবা ফিল্ম অমদি ঠিয়েটরদসু লেমজনিংঙাহ ওইবা মনা পীদুনা ইকায় খুমখি। রাশিনা কুমখিবা মনিপুরি ফিল্ম-'শাফবী' দা মহাকা এক্ট তৌখিবা ঈশৈ মতেক অমা--

মহাকা লৈখিদবদা এম.পি. প্রোফেসার বিমোল অকোইজমনা অৱাবা ফোংদোক্লদুনা হায়-মহাকা লৈখিদবা অসি লমদমসিগী কালাগী লমদা অচৌবা মাংজবা অমা ওইহৌরগনি। মহাকা লৈখিদবা অসিদা থম্মোয় শোকা নুংঙাইতবা ফাওই।

**ম্যুজিক (এল)ঃ** ৱার্ল্ড ম্যুজিক ডেগী নুমিৎ ঙসি মনিপুরদসু পাঙথোকখ্রে। শ্রীশ্রী বাল মুকুন্দা দেব ম্যুজিক কলেজনা শিনদুনা থৌরম অসি মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিদা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী স্পিসিএল কম্মিস্নার-এম. জয়না হায়-ঈশৈ-নোংমাই হায়বসি অপুনবগী লীপুন শাগৎনবা হোৎনবগী ফরবা খুৎলায় অমনি। মহাকা হায়-মীওইবগী পোকপদগী শিবা ফাওবদা ম্যুজিক হায়বসি লোয়নদুনা লাক্লবা আর্টফোম অমনি। মহাকা হায়-

থৌরম অদুদা বাল মুকুন্দা দেব ম্যুজিক কলেজকী প্রিন্সিপাল-এস. রামকুমার অমসুং আর্ট এন্দ কলচরগী দিপ্যুতি রিক্তের-জি. ধরমাদাস শর্ম্মসু শরুক য়াখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা খুলং ঈশৈ, তাংখুল ফোল্ক সোং, ক্লাসিকেল ভোকেল রিসাইটেলনচিংবা পাঙথোকখি।

অমরোমদা, ৱার্ল্ড ম্যুজিক ডেগী থৌরম অসি রিদমস ওফ মনিপুরনা শিনদুনা মনিপুরি জগোহ্ মরুপকী গোর্ল্ডন জুব্লি ষ্টেজতা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ইষ্টৰ্ন জোন কলচরেল সেন্টর-কোলকাতাগী বোর্ড ওফ গভনরসকী মেম্বর ওইরিবা বুধা চিংথামনা হায়-ম্যুজিক হায়বসি মালেমদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কী মরক্তা পাউ ফাওনহনবা ঙম্বা লোল মখল অমগুম্বনি। মসিনা মীওইবগী অৱাবা ৱাখল কয়া কাউথোকহন্নবা হোৎনহনবা য়াওনা হীরম কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

**কলচর (এল)ঃ** মণিপুর সরকারগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকা মণিপুর ষ্টেট সুমাং লিলা কাউন্সিলগা পুন্না খুৎশমদুনা ফেষ্টিভেল ওফ আর্ট এন্দ কলচরেল এক্সপ্রেসন্স(সিরিজ-টু সুমাং লিলা) হায়বা থৌরম অমা ইম্ফালগী ইবোয়াইমা সুমাং লিলা শংলেনদা পাঙথোক্লি।

থৌরম অসিদা তোঙান তোঙানবা চিফ মিনিষ্টরগী আর্টিসশিংগী তেংবাং ফংখ্রবা সুমাং লিলাগী এসোসিএসনশিং শরুক য়ারি। ঙসি অহানবা নুমিত্তা পিছ মেকর আর্টিস এসোসিএসনগী শুমাং লিলা উৎখি। ঙসিদগী হৌদুনা থা অসিগী ২৬ ফাওবা চত্থগদবা থৌরম অসিদা পুন্না নুপী অমসুং নুপা কাংলুপকী শুমাং লীলা ১১ উৎকদৌরি।

হয়েংদগী হৌদুনা নোংমদা শুমাং লীলা অনি অনি উৎকনি। মসিদা নুপা অমসুং নুপী কাংলুপকী শুমাং লীলা অমমম নোংমগী ওইনা উৎকনি।

**কোবিদ (এল)ঃ** মনিপুরদা ঙসি নৌনা মীওই ৩০ কোবিদ নাইন্তিন পোজিটিব

ওইবা থেংনরে। হৌজিক ফাওবদা পুন্না পোজিটিব ওইবা মশিং ১১২ শুরে।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী চেরোল অমনা হায়-ঙসি মীওই ১১৮ গী সেম্পল টেষ্ট তৌবদা মীওই ৩০ কোবিদ পোজিটিব ওইবা থেংনখিবনি। মীওই ৩০ অসিগী মনুংদা- ইম্ফাল ইষ্টতগী মীওই মঙা, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মীওই ২৪, থৌবালদগী মীওই অমা য়াওরি। হৌখিবা পুং ২৪ দা মীওই অহুম নাবা ফাগৎলকখি। হৌজিক ফাওবদা মীওই ৯৮ হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরি।

**সূসিলদ্রো (এল)ঃ** এম.এল.এ. লৈশাংথেম সুসিন্দ্রোনা হায়রি-খুরাইগী লাইনিংথৌ পুথিবা হরাউবগী থৌরমদা ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অদু লাইবক থিবনি। লাই হরাউবগী ফজরবা চৎনবী অসি মীওই খরনা কুম্মৈ হরাউ ওইনা ওন্থোকপা অমদি ময়াই কাবা নিশা চাশিল্লগা মশক থিহন্নবা হোৎনবগী থৌওং অসি মখা তানা চথবীদনবা আপিল তৌরক্লি।

**ধরতি (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন-কাংপোকপীনা শিনদুনা ধরতি অবা জন ভগীদারি অভিয়ান কেম্পেইন ঙসি কাংপোকপী জিলাগী চলৱা হায়স্কুল অমসুং গেলনেল সেনিয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

কেম্পেইন অদুদা ত্রাইব সার্টিফিকেট, বেঙ্কিং সার্ভিস, অধার অপদেট, পি.এম. কিষান স্কিমগী কান্নবশিং মীয়ামদা ফংহনখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা হকশেল বিভাগকী কাংবুনসু মীয়ামদা হেলথ কার্ড শাবা অমদি অতৈ অনা লায়েংগী খুদোংচাবশিংসু ফংহনখি।

**কোকোমি (এল)ঃ** ফুবালাদা লৌমী অমা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী অশোক অপন নংহনখিবগী থৌদোক অদুবু কোওর্দিনেটিং কমিতি ওন মনিপুর ইন্টিগ্রীতি (কোকোমি) না য়ানিংদবা ফোংদোকপগা লোয়ননা চিংখোঙ চিংয়াদা লৌ উরিবা লৌমীশিং অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা সরকারনা মতিক চাবা ঙাকশেলগী থবক

পায়খৎনবা দাবী তৌরি।

চেরোল অমদা কোকোমিনা হায়-থৌদোক অদু মতৌ কমদৌনা থোকখিবনো হায়বদু সরকারনা থিগৎকদবনি অমসুং মীচম মীয়ামগী পুন্সি ঙাক শেনবা ঙমদবা মরী লৈনবা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎফম থোকই।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-মালেমগী মীয়ামা হৌজিক থেংনরিবা পুকিং লৈতাদবা ফিভম অসিদা যোগনা পুকিং ৱাখলবু ফাথদুনা শান্তি ফংহনবা ঙমগনি।

মালেমগী ১১ শুবা যোগ নুমিৎ থৌরমদা শ্রী মোদিনা হায়- মালেমগী মীয়াম পুম্বনা ঙসিগী নুমিৎ অসিদা অমত্তা ওইনা পুনদুনা যোগ তৌনখি। যোগ অসিনা মীপুম খুদিংমকপু অমত্তা ওইনা পুনশিনবা ঙমলে। মহাকা হায়-চহি অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোল ৱান আর্থ ৱান হেলথ হায়বসিনা মালেমগী মীপুম খুদিংমকপু হরাউ তয়াম্বা অমসুং তুংগী পুন্সিদা মশা মউ ফনা লৈবা ঙমহল্লগনি।

বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট অমসুং কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রি- জগৎ প্রকাশ নদ্দা ঙসি নিউ দিল্লিগী কর্তব্যা পাথতা পাঙথোকপা যোগগী থৌরমদা শরুক য়াখি। থৌরম অসিদা মন্ত্রিনা হায়- নুংঙাই য়াইফবা অমসুং মশা মউ ফনা লৈনবগীদমক যোগ অসি তঙাইফদে।

**রাস্ত্রপতিঃ** রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-যোগা অসি মশা মউ ফনা লৈবা পুন্সি মহিং অমগী লম্বীনি। মসিবু ঐখোয়না হৈনরবদি হকচাংদা কান্নবা কয়া ফংহল্লি। মীওইবগী পুকিং ৱাখলসু নুংঙাইহল্লি।

দেহরাদুনদা পাঙথোকপা মালেমগা যোগ নুমিৎকী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা রাস্ত্রপতিনা হায়-ভারতনা যোগ অসিবু মালেমগী থাক্তা পুখৎপদা মরুওইবা থৌদাং লৌরি। মালেমগী লৈবাক খুদিংমকা যোগ অসিদা অচৌবা ইকায় খুমবা

পীরি। যোগাগী কান্নবা কয়াসু ফংলে হায়রি।

**পেন্সনঃ** বিহার সরকারনা রাজ্য অসিদা লৈরিবা অহল ওইরবশিং, মপুরোইবা লৈখিদ্রবীশিং অমসুং মীমান্নদ্রবা মীওইশিংদা কান্নবা পীরিবা সোসিএল সেক্যুরিতি পেন্সন স্কিমগী শেনফম থা অমদা লুপ ৭০০ হেনগৎলগনি।

মুখ্য মন্ত্রি-নিতিশ কুমারনা হায়-মথং থাদগী বিনিফিসরিশিংনা থাগী পেন্সনগী শেনফম অসি লুপা লিশিং ১,১০০ ওইরগনি।

**উত্তরাখন্দঃ** উত্তরাখন্দদা তাঙ্কক অহুম থোকনা পঞ্চায়ট মীখল মথং থাগী ১০ দগী পাঙথোক্কনি।

মীখল অসিগা মরী লৈননা নোটিফিকেসন থোকপগী মতাংদা পল্লদুনা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিস্নার-সুসিল কুমারনা হায়-মীখল অসিগীদমক মীরেপ চে পীশিনবগী থবক থা অসিগী ২৫ দগী হৌরগনি অমসুং মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা মতমনা জ্ন ২৮ ফাওবনি।

**পঞ্জাবঃ** সোসিএল মেদিয়াদা অঙাংগা মরী লৈনবা নাতৈ চাদবা পোষ্টশিং থাগৎলকপা মীওইশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎননবা পঞ্জাব ষ্টেট চাইল্ড রাইটস কম্মিসননা পঞ্জাব পুলিসকী এ.দি.জি.পি. সাইবর ক্রাইমদা খঙহনখ্রে।

কম্মিসন অসিগী চেয়ারমেন-কনৱারদি সিংহনা হায়-সোসিএল মেদিয়া প্লেটফোমশিংদা নাতৈ চাদবা ফোটো, ভিদিও অমদি ৱাহৈ ৱাতাশিং অপলোদ তৌবা থেংনরবদি মখোয়গী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎকনি। মহাকা হায়-হৌজিক্কী মতমদা অঙাংশিং অসি সোসিএল মেদিয়ানা মরম ওইরগা অকনবা চৈফু অমা মায়োকরি। মসিগী মথক্তা দ্রগ শিজিন্নবা অমদি নোংমৈ শিজিনহন্নিংবগী অপান্বা ফাওহনবা ভিদিওশিং থাগৎলকপদসু আইনগী ওইবা চৈরাকশিং পীগনি।

হীরম অসিগী মতাংদা কম্মিসননা এ.দি.জি.পিনা এক্সন টেক্কন রিপোর্ট নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা পীখৎলকবসু খঙহনখ্রে।

**সিন্ধুঃ** ভারতনা ইরানদা লৈবা নেপাল অমসুং শ্রীলঙ্কা মচাশিং থাংদোরকপদা মতেং পাংনবা ওপরেসন সিন্ধু মখা তানা চথ্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

যুম্লোন্নরিবা লৈবাকশিং তেংবাংনবগী পান্দমদা ওপরেসন সিন্ধু অসি মখা তানা চথ্দুনা ইরানদগী নেপাল অমসুং শ্রীলঙ্কাগী মীওইশিং থাংদোরক্কদৌরি। লৈবাক অনি অসিগী সরকারনা ভারত সরকারদা তেংবাংনবা হায়জরকপদগী থৌরাং অসি পায়খৎলকপনি। ইরানদা লৈবা ভারতকী দুতাবাসনা লৈবাক অনি অসিগী মীওইশিং থংদোকবগীদমক মতেং পাংলি। ইরানদা লৈবা শ্রীলঙ্কা মচাশিংনা ভারতকী দুতাবাসতা পাউ ফাওরকবসু খঙহল্লি।

নীংশিংবা য়াই, ওপরেসন সিন্ধুগী মখাদা ইরানদা লৈবা ভারত মচা ৫১৭ হেন্না ভারত্তা পুরকখ্রবনি।

**ফুটবোল (এল)** ঃ অনিশুবা প্রেমিয়র ফুটবোল লিগ-২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এস.য়ুনা এ.আই.এমবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)** ঃ জ্নিয়ার বোইস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর বি.সি.রোই ট্রোফি ২০২৫-২৬ তা শরুক য়াগদবা মনিপুর টিমগী কোচিং কম ট্রাইয়েলদা শরুক য়াগদবা শান্নরোই ১২১ খল্লে।

খল্লবশিং লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ফ গ্রাউন্দদা রিপোর্ট তৌরনবা ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা খঙহল্লক্লি।

**ফুটবোল (এল)** ঃ লেট এল. সনা এলাইজ ইঙম মেমোরিএল ট্রোফি ওপন

ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মুকখাই এফ.সিনা এম.এম.সি.এফ-ককচিং ৱাইরিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)** ঃ দি.ৱাই.এ. এলাংখাংপোকপী অমসুং তাইগর এফ.সি-তেকচম শান্নগদবা মেটচ অমদা টাইগর এফ.সি. লাক্তুবদগী দি.ৱাই.এ. এলাংখাংপোকপীনা ৱার্ক ওভর ফংখ্রে।

**চেস (এল)** ঃ অনিশুবা কাংবা জ্নিয়ার অন্দর টেইন্তি চেস টুর্নামেন্টকী লেমহৌরিবা মঙশুবা, তরুকশুবা অমসুং তরেৎশুবা রাউন্দ হয়েং অয়ুক পুং ১০ দগী শান্নবা হৌগনি।

টুর্নামেন্ট অসি ইম্ফাল ইষ্টকী নিঙোম থোংজাউদা লৈবা এন.ৱাই.ভি.ও. ক্লব, কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্কনি।